## এডিটোরিয়েল

# এম য়ু গী এডমিসন রিজার্বেসন

*সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট কোর্সতা মিং চনবগী রিজার্বেসনগী মতাংদা লৈখাই তাদনা লৈরকপদগী হৌজিক ফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী সেসন হৌবা ঙমদনা অমদি এডমিসন প্রোসেস মখা চত্থবা ঙমদনা লৈরকপদু থা অসিগী ৮ থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা একাদেমীক কাউন্সিলগী মিফমনা য়ু জি সিগী নোর্ম চৎননবা ৱারেপ লৌখিবা অসিনা নাখৈ শেংবা অমদি পুরকপা ঙম্লোই। অদুন্নদি ওইরগা পূম্নমক্না য়ানবা ৱারেপ্পি হায়না লৌবা ঙমদবদগী সেক্সন খরনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লবসু লৈরে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা থোকহন্দনা থেংলবসু থেংনা চৎলিবা একাদেমীক সেক্সন অসিগী থবক হৌবা য়ানবা পূম্নমক্না হোৎনমিন্নবা হায়বসিদি তঙাইফদবনি হায়না লৌই। পেন্দবা অমদি য়ানিংদবা লৈবা হায়বসিদি মশানা তাবনি, অদুন্নদি ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা পীদনা নৎত্রগা থোকহন্দনা অপেন-পেনদা অদু মরী লৈনবা ওঠোরিটি ওইরিবা ভারত সরকারগী ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রি অমদি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগা মখা তানা তাথোক তাশিন তৌনবা য়াবগী খুদোংচাবদু লৌনবা হোৎনবনা চুমগনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মত পীনরক্লি।*

*এম য়ু গী এডমিসন রিজার্বেসনগী মতাংদা একাদেমীক কাউন্সিলগী মীফম ৪ রক মমাঙগী ভি সি অমদি ভি সি ইনচার্জগী মতমদা পাঙথোকখ্রে। মখা তানা থা অসিগী ৮ দা অনৌবা ভি সি ইনচার্জনা চিয়ার লৌদুনা ফমখিবা একাদেমিক কাউন্সিলগী মীফম্না য়ু জি সি গী নোর্ম ঙাক্না চৎনবা ৱারেপ লৌখি। অমরোমদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ইশু অসিগী মতাংদা রিট পিটিসন (সিভিল) অমদি মিসেলেনস অহুম ফাইল তৌদুনা লৈখিবনি। হায়রিবা অসিগী মতাংদা চীফ জষ্টির্স রাকেশ রঞ্জন প্রসাদ য়াওবা বেঞ্চ অমনা এম য়ুদা মিং চনবগী রিজার্বেসনগী ফিরেপ য়ুনিভর্সিটি ওঠোরিতিনা লৌজনবা খঙহনখিবসু লৈ। পূম্নমক অসি য়েংলগা একাদেমীক কাউন্সিলনা লৌখিবা ফিরেপ অসিনা অনৌবা মায়োল অমদা লাক্তুনা অফবা একাদেমিক এটমোস্ফিয়ার অমা লৈহনবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু থল্লি। এম য়ু না সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইবনা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুসনগী নোর্ম হীরম খুদিংমক্তা চৎনবা হায়বসি মশানা তাবনি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেট-ষ্টেটকী লৈজরম্বা নোর্ম অদুসু হেক্তমক ইম্থোকপা নৎত্রগা কাউথোকপা য়াদনবা পোরম খরসু পীদুনা লৈরিবনি। হায়রিবা পোরমশিং অদু মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা এপ্লাই তৌবা য়াবরা নৎত্রগা য়াদ্রবরা হায়বসিদি এম য়ু ওঠোরিতি, য়ু জি সি, ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা লেপফম থোকই। অদুনা য়ু জি সি না পীখিবা পাউতাক অদু তাঙাইফদনা ঙাক্না চৎপা হায়বসিসু মরু ওই হায়না লৌই।*

*অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা পীদনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়বসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না অঙম্বা থৌদাং লৌফম থোকই। লোয়ননা একাদেমীক কাউন্সিলনসু মতম মতমগী ওইবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইং তপ্পদা মতেং ওইগদবা অচুম্বা মওংদা ফিরেপ লৌবগী তঙাইফদবা থৌদাং অদুসু লৌফম থোকই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# মীতোপকীদমক্তা ৱাবীবা তোল্লকসি

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*১৯৫১ গী মনুং চল্লবা কাংলূপ খুদিংমক কনা অমত্তনা অয়েৎপা থমখিদে। চহীসিগী মতুংদা লাকপশিংদি অতোপ্পা ষ্টেট কন্ট্রিশিংদা পোল্লককখিবা চাওরক্লবা কয়ানা চঙলকইবা ঙাক্তা ওইবনা ঐখোয় বেজ ইয়ার শেমদোকপা য়াবা ঙম্লোই। মরম হায়ববু মখোয় মখোয়না পোল্লুরিবা ষ্টেট নৎত্রগা কন্ট্রিদুদা অতৈ মখোয়গা হৌমিন কামিন্নরকপশিংনা খঙইবনি। অদুগুম্বশিং অদুবু লমদমসিগী মীওইশিংনা মখোয়বু লমদমসিদা পোল্লককখিবা অমগুম্না অয়াবা পিবা হায়বসি মখোয়গা হৌমিন্নরকখিবশিং লৈহৌরিবশিং অদুনা ঐখোয় প্রজাশিংবু করি হায়না খনখিগনি করিনি হায়হনগদৌরি। ঐখোয়সিবু লোল লৈজদবা মী লৈতবা লাইরিক্কী মঙাল ফংদ্রিবা মিকিথি পাংদবা ওইনা লৌরোইদ্রা?*

*পাংদবা খঙদবা কয়ানা লমদমসিগী লৈঙাক মপু ওইবদগী ওইরিবনি হায়বসি হায়নখিনি। অসুম্না মখোয়বু কিবদগী বিল শেমদোকপা হায়বসিগী মহুত্তা দিমান্দ পূম্নমক তোক্তুনা মীতোপশিংদা মনিং তৌহনখিবনা ফরনি। আই এল পি ঈহৌগী অর্থ থোক্ত্রে হায়বা তাকপনি। বেজ ইয়ার হোংদোকপা হায়বা ৱাফমসিদা ভারত সরকারনা য়াদ্রবসু ঐখোয়গী অচুম্বা ফিরেপ তাকপা ঙমদবদগীনি। মখোয়না য়াদ্রে মখোয় য়ান্নবা চৎসি হায়বা লৈরগদি মখোয়গী হোমলেন্দসু পিথোকপিখ্রো মদুনা পুংফা ফরগনি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চনবনি হায়বগী খুদোংচাবা লৌরকইবসি ঐখোয় থেংনবা তাই। বেজ ইয়ার শেমদোকপা হায়বসি ঐখোয় মশেল ইমু নাইমু তাহন্নবনি। ইশাগী অশেংবা ফীরেপ লৌবা ঙমদবা লূচিংবশিং ফম কোন্দুনা লৈবিরগনু থাদোকপিরো। বেজ ইয়ার শেমদোকপদা য়াবিগদবা ওইরবদি জে এ সি লৈবগী করি কান্নরি। লৈখিদ্রবা থৱায়না করিদা পোষ্থা ওইখিবনো খন্থবা চুমই। লৈখিদ্রবা মখোয়গী থৱায় ৯ অদুদি ওইজবা থিবা লাকপশিং মরক্তগী জ্ঞান তাদবশিংদা উশিন ওইহনখিবনি। মখোয় খুদিংমক লমদমসিদা পোল্লককখিবা নত্তবশিংনা মখোয়গী অশেংবা পোল্লকফম মীওইবগী মহৈ ফংজবনি। অরানবনা অচুম্বা শাবসিদা লাল্লি হায়বা ঙমদ্রবা লূচিংবশিং লৈরিমখৈ ঐখোয় প্রজা ৱাদুনতা লৈরগনি থাজে। শেমদোকপা বিলদা বেজ ইয়ারদা য়াগদবা লৈরবদি ইহৌ অমুক হৌবিরগনু। ঐখোয় মীতোপ্পা হায়বদা য়াবগী মহৈনা অনৌবা বিল শেমদোক শাদোকপা য়ারোই হায়দুনা চুরাচান্দপুরদা রেলি শীন্দুনা উশিত্তবা মশক তাকইবসিনি।*

**অদোমগী**
**এন হেরা মীতৈ**
**ইম্ফাল**

# অসাম মীখলগী মমি মণিপুরদা-২

হাওবা

মণিপুরগী এসেমব্লি মীখলদি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরম্না, মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখল থেংনবগী শেমশাবা হৌনখ্রে। টার্ম অহুম্লক থংন-থংননা পাল্লকপা কংগ্রেস পার্টিনা মহাক্কী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিং নৌহৌনা মরা চেৎহন্দুনা মীখলগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। থবক হাপ্পা, ফম কাবদা মায় ওনশীন্দুনা কংগ্রেসকী লীক্লমচৎ ওইনা অনৌবা মীরোলবু মোইথেম লাংদা থুহন্নবা হোৎনরি। লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপগী মহুত্তা পার্সেন্টেজ কারক্কদবা অমসুং লৌ-শিং, লন-থুম য়োনথোকহন্দুনা থবক ফংহন্নবা, মীনাই নাইথাংগী পুন্সিরোল শেম্নবা হোৎনরি। লূপা লাক্ষ কয়ানা খুজিং ওইরবা শেম্মীৎলোনগী কঞ্জুমরিষ্ট খুন্নাই ওইনবা হোৎনরি। অসুক্কী মতিক মোৎলবা কৈথেল অসিদগী চঙলকপা মীওইশিংনা লৈবাক্কী থৌদাং পুবদা, লোয়শঙশিংগী থৌপুবা ফম্নাইবা ওইরকপদা, চৎন-পথাপ (লো) গী কষ্টদিয়ান ওইরকপদা করম্না পুকচেল শেংনা, মপু ওইবগী ৱাখল মীৎয়েংগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ৱাহং ওইরিবনি। নীংতম লানহৌ নমথবগী মিংদা শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্নবগী খ্বাইদগী চাউরবা আর্কিটেক্ট ওইখিবা ইবোবী লৈঙাক্লা ফনা কন্না হোৎনরবসু, হন্দক্তি র্কনগী দোলাই চাকা পুথবগী লাইবক শোয়দনা নংলবা য়াই। অমরোমদসু নাগা শন্তাই ৱারী খুমাঙ চাওশীল্লকপগা লোয়ননা, মদুগী অচৌবা শাফু অমা মণিপুরগী লৈঙাক থৌদাগী মমাঙথক্তদা তারক্কনি। মদুবু পু-থাংবা ঙমদবা মখলগী থৌদাং ওইহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি বি জে পি না মপু ওইবা মরম্না মতাং চানা কাপশিল্লকুবা হোৎনরক্কনি। হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভমসিদা কংগ্রেসকী সিট অসি চীংগী ২০ গী মনুংদা ৬ ফংবদা য়াম্না ৱাগনি। তম্পাক্কী এ সি শিংদা কংগ্রেস পার্টিনা মহৌশানা অমুক্তা থোক্ত্রি বা চাংদা মায়থীবা নংবা য়াবগী ফিভম লৈরক্লি।

অমরোমদা দাগ লৈতবা বি জে পি না হৌখিবা নভেম্বর মীখলদা খুৎকন পাঙ্গল্লবা কংগ্রেস মীরেপ অনীবু অমুক হন্না মরায় হাইগৎপা ঙম্লাইদবা মওংদা মখোয়গী নাপল থুদেকপা ঙমখ্রবনি মদুদা নত্তনা, অতৈ কংগ্রেস এমব এল এ, মিনিষ্টরশিং য়াওবা লাল্লোং অদু বি জে পি মীরেপ অনীগী লম্বা তৌনখিবনি। মদুগী মোরেল রেসপোনসিবিলিটি লৌদুনা পুকচেল শেংনা লৈঙাক্কী খল্লবদি, পার্টি গী কোকলেনশিং ফম থাদোক্লমগদবনি, ঙসি শক্লাইরবা খরদি ফম থাদোকপা হৌখ্রে, পার্টি ফাওবা তোকখ্রে। মদুনা মীয়ামগী থবক্তা হেনগদৌরিবনি। হৌজিক্কী ফত্তবা কয়া ইকাই খঙদা তৌরুবদগী মোৎলবা কংগ্রেসগী মতম লোইশিল্লকপা অসিনা বি জে পি দা অনৌবা আশা হাপ্লি। হৌখিবা নভেম্বর মীখলদা মায়পাকখিবা, ম্যুনিসিপাল কোপেরেসন ইলেক্সনদা সিট ১০ ফংবা ঙমখিবা অমসুং অতৈ নগর পঞ্চায়েট মীখল শিংদা সিট কয়া ফংবা ঙমখিবা অসিনা দাগ লৈত্রিবা বি জে পি গী মফম হেন্না চাউবা, হেন্না কনবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈরক্লি। তম্পাকলমগী মনুং অয়াম্বা হিন্দু ওইবা মরম্না আর এস এস নচিংবগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলক্কনি বি জে পি গী ‘হিন্দুত্ব’ এজেন্দাদা শরুক য়াগদবা মৈতৈ হিন্দু, মৈতৈ পাঙ্গল অমসুং চীংমীশিংগী মশিং থিঙমদনা লাক্লবগী হৈশিংলবা, মরৌ লৈরবা হিন্দুত্বগী ঈহৌ মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎলক্লি।

মণিপুরগী ওইনদি, কংগ্রেসনা হৌখিবা টার্ম অহুম চুপ্পা পাল্লকখিবগী মনুংদা মৈ (পাৱার) নত্তনা অতৈ পব্লিক সেক্তরশিংদা চাউখৎপা (দিভলপমেন্ট) হায়বদু উবা ফংদ্রি। হেলঠ কেয়ার, টুরিজম, লৌউ-শিংউ, এডুকেসন, ইরিগেসন, হোর্টিকলচর, লো এন্দ ওর্দর, ইম্ফাল জি রি লম্বী, অপুনবা শক্তম নচিংবদা লৈখা তারকপা নত্তনা চাওখৎ-খোঙথাং পুরকখ্রে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম চাংদম অমত্তা লৈতে। করপ্সন, ফাকাপ (ফেক এনকাউন্টর), চিহৈ নাইবা লৈঙাক ৱায়েলদা পাল্লিবা কংগ্রেস লৈঙাক অসিনা হৌখিবা লৈঙাক্কী পুৱারী (পোষ্ট মর্জর) দা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। নুংথিল পোবোপ্তা খ্বাইরম্বন কৈথেল ময়াইদা মণিপুর পুলিসনা নুপী মীরোনবী রবিনা অমসুং অনাবগী হিদাক লৈবা লাকচখিবা সঞ্জিৎ (জুলাই ২৯,২০০৯) অনীবু শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুবু চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা এসেমব্লিগী ফম্বাক্তা শৌগৎখিবনি। মীয়াম্বু নমথাক তৌখিবা, লান্না লমজিংখিবা থৌদোকশিং অসি ঙসি ফাওবদা শেংদোকপা লৈতবনা মণিপুর মীয়াম্না মহাকপু পেন্দনা লৈরি, মহাকপু য়ানিংদ্রি।

অমরোমদসু, কংগ্রেসনা হৌখিবা চহী ১৫ পানখিবগী মনুংদা লৈবাক্কী অমসুং চীংগী নৎত্রগা তমগী অরুবা ৱাফমশিং মতম চানা অমদি মতিক চানা ৱাখৈখিদবা মরম্না চৎন-পথাপ্না য়াদবা বন্দ ব্লোকেদশিং তৌহল্লক্লবগী মরম ওইখি। চীংমীশিংনা নিঙাই চাউনবগী অমসুং এন্টি মণিপুর এক্টিবিটিজ চত্থনবগী লম্বী শেমগৎখি। হৌজিক্তী চীংমীশিংগী পুক্লিং ৱাখলদা এন্টি মীতৈ ৱাখল মরা তানা লৈহনবা হৌরক্লে, মখোয়না এন্টি মণিপুরগী থবক তৌবদা, তোঙানবা জিও-পোলিটিক্স তৌবদা মখোয়গী অচুম্বগী হক তানবনি হায়না লৌনবা হৌরক্লে। অসুক্কী মতিক শোকচীনখ্রে, ফুরুপ কাঙলূপ মচোই তানবা অমসুং মণিপুর অপুনবা শক্তম কাইখ্রে। অসিগুম্বা কংগ্রেস লৈঙাক্লা হৌখিবা চহী ১৫ গী মনুংদা শেমখিবা এন্টি মীতৈ ফিলিং অমসুং চীংগী ৱাখৈঙমদ্রবা ৱাথোকশিং অসি অনৌবা কংগ্রেস লৈঙাক অমা লাক্তুনসু মসিবু ৱাখৈবা ঙমগনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না থাজবা ঙমদ্রে। পুলিস, লান্মী চবুন-চবুন লৌদুনসু মপু ওইবগী ৱাখল্লোন চেন্দ্রবা মবুক শেংদ্রবা কংগ্রেস লৈঙাক অসিনা অকনবা তৌফম থোকপা খুৎকা লোয়ননা লৈঙাক থৌদা তৌরক্কনি অমসুং নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা লৈবাক্কী অপুনবগী শক্তম অসি কংগ্রেস লৈঙাক্লদি কনবা ঙমগনি হায়বসি থাজবা ঙম্নদ্রে। ফীভম অসিমক্না মীয়াম্না কংগ্রেস নত্তবা লৈঙাক মরুওইনা বি জে পি না লূচিংবা নৎত্রগা অতোপ্পা থার্দ পার্টি অমনা লূচিংবা লৈঙাক পাম্নরকপগী মরমনি।

অতোপ্পা মরম অমনা নাগালেন্দ, মেঘালয় অমসুং মিজোরামদি খৃষ্টান্না নম্না চৎপা ষ্টেটশিংনি। মখোয়গী মফমদা বি জে পি গী মমি লূম্না তাবগী মরম অসি য়াম্না লূমদে। অদুবু মণিপুর অমসুং আসামদি হিন্দুনা মশীং য়াম্না চৎপা ষ্টেটশিং ওইবা মরম্না ইরায়-লায়না খোঙদাফম ফংনিংঙাই ওইবদা নত্তনা বিজে পি গী হিন্দুত্ব এজেন্দা দা লূপচগদবা মীগী মশীং য়ামগনি। মণিপুর তম্পাক্তা আর এস এস কী বেজশিংসু ফজনা লৈরিবনি। আর এস এস বেজশিং মণিপুর তম্পাক্তা লৈবদা নত্তনা ইকাল স্কুলশিং, হোষ্টেল য়াওবা মহৈরোল - ‘সরস্বটি শিশু মন্দিরশিং, সেবা ভারাট লূপশিং অমসুং যোগ লূপশিং ফজনা লৈরি। মসিনা বি জে পি বু লমদমসিদা থাবদা লৈহাও চেলহন্দুনা য়াম্না থুনা হম-হম চাউনীংঙাই ওইহল্লি অমসুং লাক্লিবা মীখলশিংদা নীংথিনা মশীং য়াম্না মায়পাক্লিংঙাই ওইহল্লি।

অতোপ্পা মরম অমনা, মণিপুরগী চীংমী লমশিংদা কংগ্রেস পাক্তক্লবা তুবা য়াবগী ফীভম লৈরকপা অসিনা বি জে পি অমসুং এন পি নচিংবা এন্টি কংগ্রেসকী মফম হেন্না কলহন্নবগী মরম ওইরি। চীংলমগী ওইরক্লিবা ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সকী নুংশিৎ নুংশা অসি অসুক্কী মতিক শাফু কনশিল্লকখ্রে, মদুগী মরুওইবা মরমদি এন এস সি এন (আই এমগী এজেন্দা পুরিবা এন পি এফ অমসুং মদুনা নুংদা মায়ওল পীরিবা কে এন ও নচিংবা কুকি লূপশিংনা মখোয়গী জিও-পোলিটিক্সকী অরোনবা এজেন্দাগীদমক এন্টি কংগ্রেস ঈহৌ অসি কন্না চঙশীল্লকখিবনি।

অসিগুম্বা লূরবা ৱাফমশিং অসি কংগ্রেস লৈঙাক্লা ৱাখৈবা ঙমদ্রবনি মদুগী ফংফম থোকপা মহয়দি ফংদনা তোল্লরোই। লূরিবদি, তেল্লবা থা ১-২ গী মনুংদা হায়রিবা ইশুশিং অসি পাঙথোকপা ঙম্বগী চাংদি থাজদ্রে। মসিগী মথক্তা, শক্লায়রবা কংগ্রেসকী সিজন পোলিটিসিয়ান কয়া অমনা পার্টি থাদোক্লরকপা অসিনা ‘এন্টি ইনকম্বেন্সি ফেক্তর’ চাং ৱাংহল্লে। লোয়ননা অসাম মীখলগী লাল্লোং কয়া ঙসিদি মণিপুরগী থোঙ্গান্দা লোন্না অমসুং ফোংনা চঙলকলিবা অসিনা কংগ্রেস তোরা তুনা মায়থীবা পীবদা লায়না থোকহল্লবা য়াই।

**মথং -মথং...**

# শেঙ্গা থুমজা অমদি মসিগী কান্নবশিং

থৌনাওজম রুহিচন্দ

মীয়াম্না ইতৎ-তৎনা হায়নৈ - ‘‘চে-চাংদু তানথোক্লব্রা?’’ ‘‘মাদি ওফিসতা পৈশা তান্নবা চৎখি’’ হায়বনচিংবা। মতাংসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফমদি চেং-তাং নৎত্রগা পৈশাবু তান্নবা হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নরীবসিগী অশেংবা নৎত্রগা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদুনি। মখোয় মমা-মপাদি য়াম্না শিংবনে ৱাচৎ ৱানোম ফজনা তৌদুনা কোইচেল চেন্দুনা মচাশিংদো থবক লোয়না তৌবনি হায়বসিসু ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা য়াম্না তোয়না ফোং-ফোংনা শান্নরীবা ৱারীরোন্নী। ৱানোম শারেং ১দি পেন্সন মৈনোগী ৱারীনচিংবা কয়াদি ঐনা অমুক নৌহৌননা পল্লদ্রবসু য়ারনী হায়না খনজৈ। মশিমসু হায়নৈ - ক্লা মতপ অমনা চিন পৈবনি। উগী মখা থংবদবু পৎপগীৱানি মীগী মখা থংবদি পৎতবনি, তলবি তিন চাদবনি হায়নরিবনি। অদুনা উপায় অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা ইন্টরভিয়ুরা সেন্টরভিয়ুরা শেল (পীখ্রবা মতুংদা য়াওবা ইন্টভিয়ু) ঐ মায় পাকহৌদবা য়াদবনি। অদুগুম্বদু ঐদি হৈনজদে হায়দুনা সুম চাউ চুমদ্রিং চৎলগদি হৌজিক মতমদদি মীরক তিননা হায়বসি খরদি ৱানা থোক্কনি। গোল্ড মেডল ময়াম ফংলক্তু নসু ৱাবু ৱানোমদ্রবদি ইন্টরভিয়ু দু চৎলুরনু মতম মাংনবনি পৈশা তিংনবনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি।

কয়াদা কনখ্রবা ময়াইনো শেলজা থুমজা হায়রীবসিবু পোকপীরিবা পন্থৌ ৱাচৎ-ৱানোম্বা হায়রিবসি। হিরমশিং অসিগা মরী লৈনবা মহৈ তম্ফম অমগা লিংখৎপগা ঙমজরবদি মীনা চিক্ল-চাইনা ঙম্লোই। থাগী তলবনদি করম্না দলান মথোনশিং শাবা ঙমগদৌরিবা গারী অনৌ-অনৌবা তোংবা ঙমগদৌরিবা ইচা-ইশুশিং মীরমদা মহৈ মশিন তমহনবা ঙমগদৌরিবা। অদুনা অদুম ঐসু য়াওবা তাবনি। চৎনবী খঙদবা অপঙবা তাগদৌ শরুক। মসিগী কান্নবশিং খরগা হেন্না খঙজিনমীন্নবা য়াম্না মথৌ তারক্লি। খরদং লৌখৎচরবদা-

কৈথেল কারুদ্রবসু নুংতিগী য়ুমদা ৱানোম শারেং য়োংচাক নচিংবা হাও-হাওরবা য়েনশাংশিং অদুম পঙপুদ পুনরকই।

ফুট শুদ্রবসু পুলিস খনবগী ফিজিকেল টেষ্ট অদুম মায়পাকপা য়াই। কুমলায়নাসু সিফাই থানা অদুম ওইবা য়াই।

শেল য়াম্না চঙদনা, মতমসু য়াম্না মাংহন্দনা য়াম্না পানা লম্বী কায়লয়াস থাবসু য়াই।

লাইরিক য়াম্না পাদ্রবসু ইগজাম অদুম পাস তৌবা য়াই। কা হেন্না হৈত্রবসু তোপ্পর ওইবা অদুম ফংই।

সরকারগী থবকসু অদুম লৈবা ফংই। ওফিস কাদ্রবসু অদুম য়াই। চিংদা ট্রান্সফর থাবদু তম্পাক্তা অদুম হনজিন্নবগী লম্বীসু য়াম্না লৈ। প্রোমোসন গীদি খুৎথু অমা।

মৈগী খাজনা ফনা য়াম্না তোল্লবসু তলবতি অদুম চাং নাইহনবা য়াই। লৈত-লায়রবা অহলশিংদা ইবা-পাবা হেহন্নবা থাদরকপা পৈশাদু ঐখোয় ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংগী মহৈ-মশিন তমহলবদসু শীজিন্নবা ফংহল্লে।

মী খরনা ঙাচেৎ- থুমচেৎখক্তং পুনবগী ৱারী খরা হেন্না হোৎনবা কনবা মীওইশিংদি চারোন শুরোন্না কায়-কায়দুনা চাবদা লোইররোইদবা লন-থুম লেপশিলহৌবা ঙম্নরীবনি।

শেনজা-থুমজাগা মরী লৈননা লিংখৎলীবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদি তলবকা করিমত্তা নিংশিংনদ্রে।

মীয়ামদা ফংহনগদবা খুদোংচাবশিং অদু ইলেক্সন মমাঙদা শেন ওইনা মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রবনিনা ভোৎ কাবসু ইরাই লায়রে। মীয়ামগী থবক করিসু তৌনিংঙাই লৈত্রে।

সরকারগী থবক কৌরবদি মীওই খরদি লৌ, হিংকোন সনা লুপা লেপশিহৌবা ফংজরে।

মীয়ামদা ফংহনগদবা চেং, হৱায় থুম থাও, হার, অতৈ পোৎ-চৈশিংদি তোঙান্না অমুক য়োনবগী থবকসিদি পু-থাংবা ঙম্বা পোৎ নত্তে।

সরকারগী তোঙান -তোঙানবা লোয়শঙশিংদা ষ্টোর কিপর ওইববু ফংজরবদি ডচি চাকহোন্দা হোন্দোকপগী খুৎনুংঙাইসিদি।

শেনজা থুমজাগী নুংঙাইবশিং অমদি কান্নবশিং অসিদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। হিরম খুদিংমক্তা য়াম্না কান্নবা পোৎনি। শিজিন্নববু হৈরবদি মফম মতম চানা চাং খঙনা শিজিন্নরদি হু অমত্তা ওইদে, হিদাক ঙাক্তনি য়াম্না পল্লবসু শেনজা-থুমজাগী চাং অমুক হেনগৎলক্তুনা মীৱা তান্নরগনি।